থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# অশীংবা মী ওইরকপগী অৱাবা



মীওইবা হায়বা থৱায় পানবা (জীব) অসিদগী হেন্না ঙকপা অমা লৈতে হায়বসি ঐগী থাজবনি। মালেম (পৃথিবী), নুমিৎ, থা, থৱান্মিচাক ... পুম্নমক অসিবু অমত্তা ওইনা, 'তাইবঙপান' হায়না খঙনরিবসি কনাগুম্বা শকউদবা অমগী খুৎশেমনি, শকউদবা 'ক্রিয়েটর', তাইবঙপানবসিবু শেম্লিবা 'শেম্বীবা মপু' অমা লৈ খনহল্লিবসিসু মীওইবননি। শা-ঙা-উচেক-ৱায়া-তুমিৎ-কাঙ, অতোপ্পা লেঙ-ওৎপা তৌরিবা থৱায় পানবা অমত্তনা শেম্বীবা মপু (ক্রিয়েটর) অমা লৈ হায়বসি খঙদে। মরমদি, মখোয়দা 'ৱাখল' হায়বা খন্থনবা মচাক অদু য়াওদে। ক্রিয়েসন, ক্রিয়েটর, থৱায়, লাই, ঈশ্বর, গোদ, অল্লাহ .... পুম্নমক মীওইবগী 'ৱাখল' হায়বসিগী পোথোক্নি। অদুনদি, 'গোদ হেদ ক্রিয়েটেদ মেন ইন হিজ ওল ইমেজ' (ঈশ্বরনা মীওইববু মশামক্কী মীতমদুগী শক্তম লাক্তুনা শারম্বনি) হায়নরল্লিবা। হৈ-শিংনা ৱাহৈসি মথং-মনাও ত্বিস্ত তৌদুনা শেল্লম্বনি। তশেংনা হায়নিংলিবদি ... 'মীনা ঈশ্বরবু মশামক্কী মিতম লাক্তুনা শাখিবনি' হায়বসিনি।

মীওইবগী ৱাখল হায়বসিগী অরেপ্পা মশক অমা লৈতবগুম মান্নদবা ৱাহায়, ৱারী, কন্সেপ্ত কয়া থোরক্লিবনি। অচুম্বা হায়বসিসু মতম মতমগী মীওইবগী ৱাখল মতুং ইন্না মশক-মতৌ হোংই। ৱাখল শেরান্নফরোই - তমগে নীংজরুবা পাউদমসি ঈশ্বরগী মপাউ নৎত্রগা মশক লেপ্পবা হোৎনবগী নৎচদে। ঐ ইশামক্না বিলোং তৌজ রিবা 'মীওইবা' হায়বা ফুরুপসিগী অঙকপা মতৌ খরদু নীংশিংলগা তম্নিংলুবনি।

'মিস্তিক' খরনা (মিস্তিক হায়বসিগী চপ চাবা ৱাহন, ইরোনসিনা শেমফম খঙদদুনা ইংলিস ৱাহৈসি অদুম শীজিন্নজরে) মীওইবা হায়বা থৱায় পানবা কাঙলুপসি, করিগুম্বদা, 'কৈরাক'কা চাংদম্নদুনা ঙাঙবা থেংনখি। কৈরাক হায়বসি মীওইবনা শীজিন্ননবা শাখিবা পোৎশক অমনি। 'কৈরাক' - মীওইবনা থবক মখল অনীখক্তা শীজিন্নে। অনেম্বা মফম অমদগী অৱাংবদা কাখৎনবা, নৎত্রগা, অৱাংবা মফম অমদগী অনেম্বদা কুমথনবা। 'কৈরাক' হায়বা পোৎশক অদু মান্নদবা পর্পজ অনীদা শীজিন্নে। চপ মান্নবা পোৎশক অমা মান্নদবা পান্দম অনীগীদমক শীজিন্নরগা মান্নদবা মহয় ফংই হায়বা পাউজেল অদুনি।

অদুগা করিগীদমক মীওইববু কৈরাক্কা পান্দম্নরিবনো ? ইন্টরেষ্টিং ওইবা সবজেক্ট অমনি। মখোয়না হায়, মীওইবা হায়বসি 'স্বর্গ' (লাইরৈবাক/হেভন) অমদি 'নরক' (মঙলৈবাক/হেল) অনীগী মরক্তা থারিবা কৈরাক অদুনি। কল্লকপা, মিহৌবা, নুংওনবা, নুংশিবা, তূক্কচ্চবা, অকিবা, শাউনীংবা .... মখল কয়াগী পুক্নিং ইহুল পোকহল্লিবা, মান্নদবা থাক ময়াম অদুদা ইনখৎপা নৎত্রগা ইন্থবা তৌনবগীদমক্নি। ঐবু অপঙবা, বুদ্ধি-শোইরোম্বা ওইহল্লিবা, কনাগুম্বা অমনা লৌশিংবা, মঙাল নাইবা মীশক অমা ওইখিনবগীদমক্নি। মীওইবা অমনা থোইদোক হেন্দোক্লা হৈ-শিংবা, লৌশিং লৈবা মী অমা ওইরমদ্রবা, অতোপ্পা মীওইবা অমবু অপঙবনি করম হায়রুনি ! অচৌবা নুঙ, চীংজাও নৎত্রগা উপাল অমবু অপঙবনি নৎত্রগা অশীংবনি হায়না খায়দোকপা য়ারোই। নুঙ হায়বসিদি নুঙনি। মীওইবগীদি আশা (হোপ) হায়বা মকোক মনুংদা লৈবা কনানসু খঙলু-উরুবা ঙমদবা পোৎশক অদুনা মহাকপু অপঙবা নৎত্রগা অশীংবা - অনীগী মরক্তা অমা ওইহল্লকই। মহাক্কী আশা অদুনা, কৈরাক্তুদা কাখৎপা নৎত্রগা কুমথবা, অনীগী মরক্তা অমা শোয়দনমক্কী তৌহল্লি। মীওইবগী আশা ! করিসু নত্তে, হৌখ্রবা মতমগী নীংশিংবা মরক্তা, মমাংঙৈ হিংলম্বা, শিখ্রবা কনাগী ৱাখলদা মহাক্কী মতিক-মগুন শৈথাদুনা মহাক্কুম্বা অমা ওইননবা মঙ মঙবা ! নৎত্রগা, লাক্কদবা তুংলমচৎ অদুদা, ওইরক্কনি ওইরক্লোই খঙদবা তাইবং অমদা মহাক্কী মফম অমা কনবগী মঙ শাগৎপা ! হৌজিক হায়বা মতমসিদা হিংবগী ৱাখলদুদি কনানসু খন্দবা ! খনবীয়ু - কনানা অপঙবা ? কনানা অশীংবা ?

ৱাখলসিদা লুপ্লুঙৈ, উরকই - ঐগা হিংমিন্নরিবা মীওইবা, মীওইবা-খুন্নাই, মীওইববু য়াইফবা-নুংঙাইবা তাইবংদা পুবীগনি ৱাশক্তুনা শেমখিবা ধর্ম্ম (রিলিজন) ... পুম্নমকসিনা পাম্মী - 'ঐবু অপঙবা মী অমা ওইনা মখোয়গী মরক্তা লৈবা'। ঐহাক্না ইন্টেল্লিজেন্ট ওইবা, অশিংবা মী অমা ওইখিবা, মখোয় পামদে। ঐগী লৈঙাক লুচিংবশিংনা পাম্মী ঐবু 'অৱাৎ-অপাতনা থল্লবা, চাক্লিবা অমগুম পুন্সি লেনবা, লায়রবা মীশক অমা ওইনা লৈবা'। ইন্টেল্লিজেন্ত ওইবা, অশীংবা মী মহাক্তি মশাগী ওইবা পুন্সি অমদা নাইতোম লেনবা হৈ, মীয়াম মরক্তগী তোখায়না হিংই। নঙনা 'বুদ্ধ' ওইরক্লবা, পুন্সি মশক খঙলক্লবা, মী মরক্তগী তোখায়না লাপ্পা চৎনিংলক্কনি। কৈরাক অদু কানীংবসু পোল্লক্লোই, কুমগনি হায়বগীসু নুংনাংলোই।

ঙসিগী মীওইবা। মখোয়গীদমক ঐহাক নুংনাংই। মরমদি, মখোয় খঙই - মখোয় অপঙবা নত্তে। অশীংবা মী ওইবতা নত্তে, 'মখোয় অশীংবা মীনি' হায়বসি মখোয় মশাসু খঙজে। লুরিবসি মসিনি। মসিনা পোকহল্লকই 'ইগো' কৌবা তমথিরবা 'পুক্নিংগী ভাইরস' অমা।

## লৌশিং পুক্কে

# কোভিদ-১৯: অনাবা মীওই অমখক্লা পুং খরগী মনুংদা অতোপ্পা মীওই কয়ামরুমদা শন্দোকপা ঙম্মী

যুনাইটেদ ষ্টেট্‌স্‌কী অতোপ্পা মফম কয়াদা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ শন্দোরক্তনবা থল্লম্বা অথিংবা কোমথোকপা হৌরকপগা ইরোইননা, 'সুপর স্প্রেদর' হায়না খঙনবা ইভেন্টশিং থোকহন্দনবগীদমক চেকশিনবা মথৌ তাই হায়না এক্সপার্টশিংনা চেকশিনৱা থমখ্রে।

কোভিদ-১৯ সুপর স্প্রেদর ইভেন্ট হায়রিবা অসি SARS-CoV-2 পোজিটিব ওইবা মীওই অমনা করিগুম্বা থৌরম অমদা নৎত্রগা মীয়াম পূনবা মফম অমদা য়াওবা অতোপ্পা মীওই কয়াদা ভাইরস অদুবু শন্দোকপগী থৌওং অদুবুনি।

খুদম ওইনা, ৱাশিংটনগী স্কাগিট কাউন্টিদা পাঙথোকখিবা মার্চ ক্বায়র প্রেক্টিস অমদা শরুক য়ারুরবা মতুংদা মীওই ৫২ কোভিদ-১৯ নারকখি। মখোয়গী মনুংদা মীওই অহুম হোস্পিটালাইজ তৌখি, অদুগা অনীনা শিখি।

চিকাগোগী ইল্লনোইদা কোভিদ-১৯ পোজিটিব ওইবা নুপা অমনা শরুক য়ারুবা পোৎলোইবা অমদি বার্থদেগী থৌরমদা য়াওরুরবা মীওই ১৬সু পোজিটিব ওইরকখি। মতম অদুদা হায়রিবা নুপা অদু হন্থবা চাংদা রেস্পিরেটরি সিম্পটোমশিং লৈখি, কোন্না টেষ্ট তৌবদা পোজিটিব ওই হায়বা খঙলকখিবনি।

'অসিগুম্বা মী তিনবা থৌরম অসিদা লাইওং খজিক্তং ঊৎপা নৎত্রগা লাইওং অমত্তা ঊৎতবা সুপর স্প্রেদর অমত্তং য়াওরল্লবদি অতোপ্পা মীওইশিং অদুদা ভাইরস শন্দোরক্কনি' হায়না ডা. জোসেফ খাবাজানা হায়রি। ডা. খাবাজা ওহায়োগী ইন্দিপেন্দেন্সতা লৈবা ক্লিভলেন্দ ক্লিনিক'স ইন্দিপেন্দেন্স ফেমিলি হেল্থ সেন্টরদা পলমোনোলোজি এন্দ ক্রিটিকেল ক্যের স্পিসলিষ্ট ওইনা লৈবনি।

'লাইওং ঊৎলবসু ঊৎত্রবসু মীওইশিং অদুনা অমুক মখোয়গী মমা-মপাশিং, মপু-মবেনশিং, অমদি অতোপ্পা রিস্ক ৱাংবা মীওইশিংদা ভাইরস অদু শন্দোকপা ঙমগনি' হায়নসু মহাক্না মখা তারি।

খাবাজাগী মতুংইন্না, SARS-CoV-2 অসি করিগুম্বা অকক্লবা ফিভম খরদনা হেন্না শন্দোকপগুম তৌরি। খুদম ওইনা, কা মনুংদা পাঙথোকপা থৌরমনা মপান্দা পাঙথোকপা থৌরমদগী রিস্ক ৱাংবা হেল্লি।

মীওই অমগা অমগা লাপ্নগদবা চাং নীংথিনা মেন্টেন তৌদুনা মীয়াম পূনবদগীদি মীয়াম নক্লা নক্লা ফম্মীন্নবা নৎত্রগা লেপমিন্নবা থৌরমনা হেন্না খুদোংথীনিংঙাই ওই।

ৱা ঙাঙবা, লাউবা অমদি ঈশৈ শকপা য়াওনা অকক্লবা থৌওং খরনসু ভাইরস অসি নুংশিৎতা শন্দোকপগী চাং হেনগৎহল্লি। নীংশাখক্তং হোনবদগীদি খোঞ্জেল থোকপা থৌওংশিংদনা হেন্না তিন পুথোকই।

ৱাশিংটনদা ক্বায়র প্রেক্টিস অমদা থোকখিবা অদুগুম্না সাউথ কোরিয়াগী সিওলদসু নাইটক্লব অমগা মরী লৈননা য়াল্লবা মীওই কয়া পোজিটিব ওইখি।

ডা. খাবাজানা হায়, ক্বায়র অমসুং নাইটক্লব অনীমক্তা ঈশৈ শকপদগী নৎত্রগা ম্যুজিক অদুবু নমহৎলগা ৱা লাউনা-লাউনা ঙাঙবা মথৌ তাবনা দ্রোপলেটশিং হেন্না পুথোকই হায়না খল্লি, অমদি তিল্লিবা মীওইশিং অদু য়াম্না নক্লনা লোয়নৈ।

মসিগীসু মথক্তা, মীওইশিং অদুনা পোৎ-চৈশিংদা অমনা অমুক পায়, অমনা অমুক পায় তৌরম্লগদি মদুদসু ভাইরস শন্দোকপা য়াই। ভাইরস পল্লবা মীওই অমনা পোৎশক অমদা পায়রুরগদি, পোৎশক অদুদগী অতোপ্পা মীওইশিংগী মখূত্তা অমুক ভাইরস অদু শন্দোকখিবা ঙম্মী।

ইনভাইরনমেন্ট ফেক্টরশিং অসিগী মথক্তা কোরোনাভাইরস পল্লবা মীওইশিংগী মরক্তা খেন্নবা লৈবশিংনসু, মখোয়না ভাইরস অদু অতোপ্পা মীওইশিংদা শন্দোকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈবা অদুদা এফেক্ট তৌবা য়াই।



ষ্টদি খরদা থেংনখ্রে মদুদি, কনাগুম্বা মীওই খরদি নীংশা হোনবা নৎত্রগা ৱা ঙাঙবা মতমদা অতৈ মীওইশিংদগী হেন্না তিন চোংই।

লাইওং ঊত্তনা ভাইরস পল্লিবা মীওইশিংগা চাংদম্নবদা লাইওং ঊৎপা মীওইশিংনা হেন্না ইনফেক্সন অদু শন্দোকপা য়াই। অদুমওইনমক, চপ চানা খঙনবগীদমক অহেনবা রিসার্চশিংদি মথৌ তারি।

বোষ্টোনদা লৈবা হার্ভার্দ মেদিকেল স্কুলদা পলমোনোলোজি এন্দ ক্রিটিকেল ক্যের মেদিসিনদা স্পেশএলাইজ তৌবা ডা. খৃষ্টোফর ৱোর্শামনা হায়, 'ঐখোয়না চপ চানা খঙবদি ঙমদ্রি অদুবু, ভাইরস অসিগী সিম্পটোমশিং হায়বদি লাইহৌ, নীংথম চনবা, লোক খূবা, নীংশা হোনবা ৱাবা, হকচাং চীকপা নাবা, খৌনাউ নাবা অসিনচিংবা মীওইশিং অসিনা ভাইরস অদু হেন্না লায়না শন্দোকপা ঙমগনি হায়না খল্লি।'

'লাইওং অমত্তা ঊৎতবা মীওইশিংনসু ভাইরস অসি শন্দোকপা য়াই, মখোয় অয়াম্বা হেক য়েংবদদি ইনফেক্টেদ ওইরে খঙদে অদুবু অতোপ্পা মীওইশিংদা ভাইরস শন্দোকপদি ঙম্মী হায়নসু মহাক্না মখা তারি।

ভাইরস অসি শন্দোকপগী চাং হন্থবদা মতেং পাংনবগীদমক মীয়াম্না ফিজিকেল দিষ্টেন্সিং ঙাক্কদবনি, খুৎ তোয়না হামগদবনি, অমদি মায়দা য়ারিমখৈ পায়রোইদবনি হায়না খাবাজা অমসুং ৱোর্শামন মীয়ামগী পুক্নীং চিংশিল্লি।

ৱোর্শামনা হায়, য়ূম মনুংদা পাঙথোকপা লেংজুম-লেংজুম থেংনবমখৈ মী তিনবা, নৎত্রগা কন্টেক্ট স্পোর্টকুম্বা এক্টিবিটিশিংদগী লাপ্না লৈগদবনি।

মী য়াম্না তিন্দবা থৌরমগী ওইনসু, সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাকপা য়ানবা মফম শোয়দনা লৈহনগদবনি, সাপোন অমদি হেন্দ সেনিটাইজর মরাঙ কায়না থমগদবনি, অমদি হকচাং নুংঙাইতবা মীওইশিং নৎত্রগা অনাবা মীওইশিংগী মনাক্তা চৎলুবা মীওইশিংদি থৌরম অদুদা লাক্তনবা হায়গদবনি হায়নসু ৱোর্শামনা মখা তারি।

খাবাজানা হায়, ফেস মাস্ক ঊপ্পনা, কম্যুনিটি স্প্রেদ হন্থহনবদা মতেং পাংবা য়াই।

'ভাইরস অসি হৌজিকসু লৈরি হায়বসি ঐখোয়না নীংশিংগদবনি। অথিংবা খরা কোমথোরক্লে হায়দুনা সোসল দিষ্টেন্সিং, খুৎ হাম্বা, অমদি মাস্ক ঊপ্পনচিংবা তঙাইফদনা লৌখৎকদবা চেকশিন থৌরাংশিং অসি তৌদ্রবসু য়ারে হায়বা নত্তে' হায়না ৱোর্শামনা হায়রি।

পনবা য়াবদি মণিপুরদসু মপানদগী হল্লকপা লমদম অসিগী মীওইশিংগী মরক্তা কোভিদ-১৯ নাবগী চাং লেপ্তুনা হেনগৎলক্লিবনি। অদুবু লৈঙাক্লা থল্লম্বা অথিংবশিংগী মনুংদা খরা অমদি মীয়ামগী খুদোংচানবা য়েংলগা কোমথোক্লে। অথিংবা থল্লম্বা খরা কোমথোরক্লে হায়দুনা মীয়াম্না চেকশিন্দবদি তৌরোইদবনি।

# মাইক্রো ফাইনান্স ইন্সটিট্যুটশিংনা হোৎনরিবসিদা তেংবাংবিয়ু

ইম্ফাল, জুন ০৪ (ঐচ এন এস) :

হৌজিক শেল-থুমগী ফিভম শোকচিল্লিবা ফিভমসিদগী কন্নবা মাইক্রো ফাইনান্স ইন্সটিট্যুসনশিংনা হোৎনরিবা অসিদা মীয়াম্না মতেং পাংবীয়ু হায়না মাইক্রো ফাইনান্স এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী সেক্রেটরীনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, এসোসিএন অসি চীং অমসুং তমদা লৈরিবা মাইক্রো ফাইনান্স ইন্সটিট্যুসনশিংনা শেম্বনি। আর বি আইগী মখাদা সেল্ফ রেগ্যুলেটরি বোদি অমা ওইরিবা সাদনগী মেম্বর ওইবতা নত্তনা নোর্থ ইষ্ট মাইক্রো ফাইনান্স এসোসিএসনগীসু মেম্বর ওইবা এসোসিএসননি। এসোসিএসন অসিগী মেম্বরশিংনা লমদম অসিগী শেন্মীৎলোন ফংগৎহন্নবগীদমক শুফম নোস্ফম খঙদবা, বেঙ্ককী শেন্থংগী খুদোংচাবা ফংদ্রবশিংবু কন্নবগীদমক হোৎনদুনা লাক্লি। কোভিদ-১৯না মীয়াম ৱাহল্লে। আর বি আইনা থা ৩গী মোরেটোরিয়ম মনুংদা ইমা-ইবেলশিংদগী মে ৩১ ফাওবা শেল অমত্তা খোমগৎতবা হায়না য়ান্নদুনা লাক্লি। ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিংদদি মে ১৮দগী লোন খোমগৎপা হৌনখ্রে। আর বি আইগী থা ৩গী মোরেটোরিয়ম অমগা শাংদোকপগী ৱাফম লাক্লি। আর বি আইগী নোটিফিকেসন অসিনা হায়রিবা থা ৩ অসিগী শেলেপ শীঙ্গৎপগী খরা পীবনি। আর বি আইনা মোরেটোরিয়ম পীরে হায়না ওর্দর থোক্লবসু ঐখোয়দা শেল থাদরিবশিংগী শেন্দোই থা খুদিংগী পীরি। লেন্দর খরনদি মোরেটোরিয়ম মখোয়দা চৎনদে হায়দুনা শেন্দোই, সেলেপ পুন্না পীগদবনি হায়না অকনবা ৱাফম থল্লক্লি।

ওইরিবা ফিভম অসিদা অৱাবা মায়োক্ক রি। থা অহুম থবক তৌরক্তবনা ইমুং-মনুং পুরিবা ষ্টাফ ৩০০ হেনবগী খরদং ফংজ গদবা থাগী তোলোপ ফাওবা পীবা ঙমশিল্লক্ত্রে। লোকদাউননা মরম ওইরগা মফম খুদিংদা চাওরবা শেল-থুমগী অৱাবা চৈথেং পীরি। লল্লোল ইতিক তৌরিবা মীওই কয়াগী সেলেপ ফাওবা নোংমদা চংদবা য়াদ্রবা চানবা অমদি হিদাক লাংথক লৈবদা শীজিন্নথোকখিদুনা শেল লৈনদ্রে। লোকদাউন মনুং অমসুং হাংলবা তুংদা হায়রিবা মীওইশিং অসিনা লোকদাউন মমাঙদা তৌরম্বা শীনফম অদু মখা তানা তৌবা ঙল্লরোই। লৈঙাক্লা অখন্নবা থৌরাংশিং পায়খৎতুনা ময়াই ওইবা অমসুং ইন্দষ্ট্রি মচা তৌরিবশিং অদুনা লোকদাউননা শোকহল্লবা ইন্দষ্ট্রি অদু অমুক থবক মখা তানা তৌবা ঙম্নবগীদমক ৱার্কিং কেপিটেলগী খুদোংচাবা পীরি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# মণিপুর ইন্সটিট্যুট ওফ টেক্নোলোজি এক্রিদিদেসন ফংলে

ইম্ফাল, জুন ০৪ (ঐচ এন এস) :

মণিপুর ইন্সটিট্যুট ওফ টেক্নোলোজি তাকয়েলপাৎতা য়ু জি প্রোগ্রাম ইন সিভিল ইঞ্জিনিয়ারিং (টায়র ২) একাদেমিক এয়র ২০২০-২১ টু ২০২২-২৩ ফাওবগী ওইনা নেসনল বোর্দ ওফ এক্রিদিদেসন (এন বি এ)দগী এক্রিদিদেসন ফংলে হায়না এম আই টি তাকয়েৎলপাৎকী প্রিন্সিপাল ইনচার্জ প্রোফেসার আর কে হেমাকুমারনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ষ্টেট অসিদা লৈরিবা টেক্নিকেল ইন্সটিট্যুটশিংগী মনুংদা এক্রিদিদেসন ফংবা অহানবা ওইরে। ইন্সটিট্যুট অসি মণিপুর লৈঙাক্লা কুমজা ১৯৯৮তা লিংখৎখিবনি। কুমজা ২০০৫গী ওক্তোবরদগী মণিপুরগী য়ুনিভর্সিটিগী কন্সটিট্যুয়েন্ট কোলেজ অমা ওইনা লাক্লি। এক্রিদিদেসন ফংলকপা অসিগীদমক ফেকল্টি মেম্বরশিং, ষ্টাফশিং, ওফিসারশিং ষ্টেক হোল্ডর পুম্নমকপু থাগৎপা ফোঙদোক্লি।

এম আই টি অসি প্রেমিয়র ইন্সটিট্যুটঅমা ওইহল্লক্নবা হোৎনবদা মণিপুর য়ুভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর জার্নেল সিংহনা এদভাইস অমদি সপোর্ট কয়া পীবিরকখি। মসিগীদমক ভাইস চাঞ্চেল্লরবু থাগৎলি। অসিগুম্বা এচিভমেন্ট অমা ফংলকপা অসি মণিপুর ইন্সটিট্যুট ওফ টেক্নোলোজিগী ষ্টাফশিং, ওফিসারশিং, ষ্টেক হোল্ডরশিং পুম্নমক্না সপোর্ট তৌরকপদগীনি হায়নসু মহাক্না মখা তারি।

# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৫। ০৬। ২০২০ ইং, ইরাই, ইঙাগী থানিল।

**মেষ :** লাইবক ফবদি খরা ৱাৎলবসু অমদি লল্লোন ইতিক্তা খুৎচাও থাবা য়াদ্রসু পাউ নুংঙাইবা তাগনি অমদি লেংদবা লন ফংগনি। হন্থবগদি খৎনগনি-তপথৌ।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশিবনা চানবীগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**বৃষ :** মরুপ লোয়নবনা মাঙজবা অমদি কোক শাবা খরা লৈরবসু ইমুং মনুং ৱা তাননা পাংবা থবক খুদিং চাওনা মায় পাক্কনি অমদি লল্লোনবদা শেন্দেং চাওনা ফংগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশিবা ফংই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**মিথুন :** ইকাই খুম্নবা ফংগদ্রা হায়রগা পোরম খজিক শোয়বনা চোপ্পা ওইনা নংবা য়াবা নুমিৎনি। ৱা য়াম্না ঙাঙদবা অমদি কিদবনা লনদি ফংগনি অমদি য়েক্লবা মাঙখিনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - লাইবক ফগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অশংবা/কিসমিস।

**কর্কট :** মতম মাঙবা য়াবা, য়েৎনবনা পূক্নিং নুংশিবা অমদি পাউসু ইনুং নুংঙাইতবা তাবা লৈগনি। অদুবু অচুম্বা চৎলবা অমদি অঙম্বগী পাউতাক লৌরবা মায় পাক্কনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - থেংনা নুংঙাইবা পাউ তাই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**সিংহ :** অনিংবা থবক পাংবদা খুৎলোইগনি, মীনা লাকচগে তৌরসু লাকচবা ঙমলোই। মীরক চংলগা হেন্না নুংঙাইথোকপা ঙমজবা নুমিৎনি। হোয়াদি ফগনু-খন্থৌ।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশি মরীদি ফৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙৌবা।

**কন্যা :** অয়াম্বা লম্‌দা মায় পাকচবা নুমিৎনি। মীচং লৈগনি, ঙাঙথোকপদা রাশি য়াওগনি অমদি থৌনা লৈনা অনিংবা পাংবদা চাওনা কান্নগনি। শেল ফংগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নিংবা থুংগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙৌবা।

**তুলা :** তৌফম খঙদবা অমদি য়েৎনবদা মায় পাকপা ৱাৎপা লৈ। খাংবা কল্লু অমদি থিবা হুম্বসু কল্লু অমদি অখঙ-অহৈগী ৱা তাদনা অরুবা অমদি অনৌবা থবক পায়গনু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - য়াকা য়েংনা চৎলু।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অশংবা/কিসমিস।

**বৃশ্চিক :** হরাওবা নুংঙাইবা, নথক থোংবনা য়াম্না চানবীবা অমদি শেন্দোং তানবা থবক্তা চাওনা কান্নবা লৈগনি। চিংনবা পোকপা অমদি পাউ নুংঙাইতবা তাবদি লৈ।
**লৈশা পাখংশিংগী** - লাইবক ফগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**ধনু :** নিংবা মপাদি চারোই অমদি খন্থদনা হোয়া ফবসু ফরোই। অদুবু থৌনা লিংজেল লৈনা পাংবা থবক্তি শোয়দনা পাংগনি অমদি ৱানোম থৌনোম কান্নগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - মতম ঙাইয়ু।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙৌবা/শঙ্গোম।

**মকর :** অঙম্বনা চানবীগনি, ফমথোল ফংবগুম মীংচৎ ফংজগনি অমদি ঙাঙবা শকপা হৈগনি। অদুবু অশাওবনা মাঙহঞ্জবা অমদি অফ অপুন্নবদি লৈগনি-খাংবা কল্লু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - ফিংগনু।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**কুম্বা :** অনিংবা থবক চিং লেম্না পাংবা ঙমজগনি অমদি অনৌবা থৌরমসু পাংবা য়াগনি। লল্লোন ইতিক কান্নগনি। মীতোপ থাজদবা অমদি অহৈ অশিং শাদবা ফৈ।
**লৈশা পাখংশিংগী** - লাইবক খরা ফৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ নাপু/য়াইঙং।

**মিন :** হোয়া ফবা অমদি খুৎচাও থাবা য়াদবা নুমিৎনি। কিবা পোকপা অমদি চিংনবা য়াম্না লৈরবসু মীয়ামগদি লোয়নবা ফংজগনি অমদি মীনা লাকচবসু ঙমলোই।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশিবনা চাল্লি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

মমি ৱারী

## হোপ

*জিরিবাম রেলৱে ষ্টেসন, মণিপুর*

*বুশো নিংথেমচা*



Busho Ningthemcha is a social photographer from Imphal.